# মণিপুরী জগোয়গী শক্লাইরবী গুরু, ইমা ক্ষেত্রিময়ুম ইবেতোম্বী

- নানি



লমদম অসিগী তাঙলবী জগোয়গী চঙখোল্লবী, চঙ থোকপী ইমা ক্ষেত্রিময়ুম ইবেতোম্বীনা মহাক্কী তাইবংপানগী মতম লোইরদুনা মপুগী নাক্তা হনখিবগী পাউ, মণিপুর কলচরেল কাউন্সীলগী ৱাটচএপ গ্রুপতা থাগৎনরকপদু থেংনরুবদা অসুক্কী মতিক ঐবু নুংঙাইহনখিদে। মমল নাইদ্রবা লমদমসিগী পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়াগী গুরু নহাশিং অসিনা তুমীন তুমীন হনখিবা অসি মতমগী খোঙলোয় ওইরবসু পূক্লিংসিদা ইরায় লায়না খন্দোকপা ঙমদে। গুরুশিং অদুনা ঐখোয়গী ফজরবা নাৎ-শক্তম অমদি পুন্সিরোলগা শাগোন্নবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়াবু পঞ্জাও পঞ্জাও ওইনা ঙাক্লম্বা-ঙাক্লম্বী কয়ানা হনখিবদা ঐখোয়গী তুংলমচৎকী মীরোলদা করি করম্বা ফীভম অমদা মণিপুরী কলচরগী অনৌবা মশক অমা লাক্কদগে হায়বা অসিনা ৱাখলদা য়াম্না নুংনাংহনখি।

মণিপুরী জগোয়বু মালেমদা মশক তাক্লকখিবশিংগী মনুংদা লৈবাক মীয়াম্না "ইমা গুরু ইবেতোম্বী" হায়না খঙনখিবী অসিসু অমনি। মণিপুরী জগোয়গী অথুপ্পা কয়া, নুংদা লৈরিবা ফজরোল কয়া অদু ষ্টেট অসিগী মনুংদা নমশিন্দুনা থম্বা পামখিদে। ঐখোয়গী জগোয়, মপানগী মীওইশিংদা নীংথিনা তম্বীদুনা শাহনগদবনি। মদুতদা ঐখোয়গী জগোয়গী মতিক ময়াই হেন্না য়াঙনা হাপ্পা ঙমগনি। মীয়ামদা হেন্না উৎথোকপা য়াগনি হায়বসি ইমানা য়াম্না ঙন্না খনখিবনি। অদুনা রাজস্থানদা লিংবা বনাস্থালি বিদ্যাপিথ য়ুনিভর্সিটিদা দান্সকী লেকচরর গুরু ওইনা ১৯৬৪ দগী ২০০০ ফাওবা লৈরকখি। গুরু ক্ষেত্রিময়ুম ইবেতোম্বী ১৯৩৮ কী মার্চ ১৭তা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়, লৈরক মচা, ইম্ফালদা পোকখি। মশাগী চহী শুপ্নতগী ১২ শুরকপা মতমদগী হৌনা গুরু সিশ্যা পরমপারাগী কাঙলোন মখাদা গুরু অমুদোন শর্ম্মদগী জগোয় তম্বা হৌজরকখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা গুরুশিং- লৈখিদ্রবা গুরু পদ্মশ্রী অমুদোন শর্ম্ম, গুরু শ্রী অমুবী সিংহ, গুরু শ্রী অতোম্বা সিংহ, গুরু ইমা রাজনি মাইবী, গুরু শ্রী অঙৌ, গুরু শ্রী লোকেশ্বর, গুরু শ্রী গুলাপি অমদি গুরু শ্রী টি ঐচ তরুনকুমারনচিংবগী মফমদগী জগোয়, পুঙ, ঈশৈগী লম অসিদা মমুৎ তানা তমজরকখি। মপান্দা থোক্তুনা ইহান হান্না জগোয় শারকখিবা অসিদি কলা ভবন, ইম্ফাল হায়বা গুরু অমুদোন শর্ম্মগী লমজিং মখাদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌরম অমা ওইনা কলকাটাগী ন্যু ইম্পেরিয়ল হোল হায়রিবা অদুদা শাখি। মতমদুদা ইমানা নাইতোম জগোয়, পুন্না শামিন্নবা জগোয়নচিংবা জগোয় মখল কয়া শাখি।

গুরু কয়াগী মখাদগী মৈতৈ জগোয় অসুম তম্লকপদা ইমাগী ৱাখলদা জগোয়গী থেকপা, নৌবগা লোয়ননা শাবা মতমদা বোদি লেংগ্বেজ অমদি ফেসিয়ল এক্সপ্রেসনগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খঙনিংখি। লোয়ননা চপ মান্নবা জগোয়দা খুৎথেক্কী খেন্নবা কয়া লৈরিবা অদু উরকপদা অমুক্কা হেন্না হীরম অদোমদা থিজিন্নবগী ৱাখল্লোন পোকখি। মরম অসিনা মখা তানা গুরু কয়াগী মখাদা মরুওইনা গুরু অমুবী অমদি গুরু অতোম্বনচিংবদগী হেন্না কুপথনা তম্বা হৌরকখি। মতম অসিদা ইমা অসি নৃত্যশ্রম দান্স ওর্গনাইজেসন, মণিপুর হায়বা অসিদা য়াওরে। গুরু তরুনকুমারগী মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি অসামগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা জগোয়গী সো উৎপা মথং মথং চৎপা হৌরকখি। ১৯৫৬ তদি মহাক মশাগী মিংদা জগোয়গী লূপ- ইবেতোম্বী দান্স সেন্টর হায়বা অমা লিংখৎলে। মতম অসিদনি ওষ্ট্রেলিয়াগী মমিং লৈরবী কোরিওগ্রাফর, বেল্লে দান্সর হৌজিক্তি লৈখিদ্রবী মিস লুই লাইটফুট মণিপুরদা লাক্তুনা মণিপুরী জগোয়গী মরমদা তম্বা, থিজিনবা লাকখিবা অসি। লাইটফুটকা থেংনরবা মতুং কুমজা ১৯৫৭তা ওষ্ট্রেলিয়া আর্ট কাউন্সেল অমদি ইন্দিয়ন আর্ট কাউন্সেলনা শীন্দুনা মহাক ওষ্ট্রেলিয়াদা মণিপুরী জগোয় উৎলুনবগীদমক থাখি। মসিগীদমক মরুওইনা স্পেসল দান্স অমা ওইনা মাইবী জগোয় অসি হান্নদগী হেন্না নীংথিনা প্রক্টিস তৌদুনা গুরু রাজনি মাইবীগী লমজিং মখাদা কন্না হোৎনখি। খোঙচৎ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম কয়াদা চৎতুনা জগোয় উৎলুখি। ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎপা খোঙচৎ অসিনা ইমা ইবেতোম্বীগী পুন্সিগী অচৌবা টর্নিং পোইন্ট অমা ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিঙৈদা ফংখিবা অনৌবা খুদোংচাবা অমা হায়বা তারবদি, ইন্দোনেসিয়াগী জভা জাভি হায়বা মমিং লৈরবা জগোয় অসিদা নত্তনা ইন্দোনেসিয়াগী অতৈ জগোয় মখল কয়া অমসু তমজবা ফংবগী খুদোংচাবা ফংখিবা অসিনসু মহাক্কী পুন্সিদা জগোয়গী লম অসিদা অহেনবা পূক্লিং লৌশিং অমদি মহাক মশাগী লেঙদ্রবা চীংজাওগুল্লবা লন অমা তানশিঞ্জবা ফংখিবা অসিনি। খোঙচৎ অসিনা মহাকপু হেন্না লৈবাক মীয়াম্না শকখঙবা হেনখিবগা লোয়ননা জগোয়গী লম অসিদা



খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিন্নবগী তাঞ্জা মথং মথং ফংবা হৌখি। লোয়ননা লাইটফুটনা ইবা "দান্স- রিচ্যুএলস ওফ মণিপুর ইন্দিয়া" হায়বা লাইরিক অসিদা ইমা ইবেতোম্বীগী জগোয়গী ফোটোগ্রাফ কয়া অমদি মণিপুরী জগোয়গী মরমদা য়াম্না ময়েক শেংনা ইদুনা ফোঙখি। লাইরিক অসিদা সিগী মতুং ১৯৫৯দা মতমদুগী মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নারগী লোয়নবী রাইনানা শীন্দুনা নেপালদা পাঙথোকপা মহাত্মা গান্ধী সেলেব্রেসনদা মণিপুরী জগোয় উৎলুনবা ইবেতোম্বী দান্স সেন্টরবু খন্দুনা থাখি। মতমদুদা নেপালগী নিংথৌ মহেন্দ্রনা পেনবীখি। ইমা ইবেতোম্বী মতমদুগী ইন্দিয়াগী অহানবা প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্র প্রসাদকী মমাঙদা মহাক্কী স্পেসল দান্স আইটেম অমা ওইরিবা মাইবী জগোয় উৎখি। লোয়ননা শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীনা ইনভাইট তৌরক্তুনা রাষ্ট্রপতি ভবনদা মতমদুগী অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর আইসেন হোৱরনা ইন্দিয়াদা ভিজিট তৌরকপা মতমদা য়েংহন্নবা কৌরক্তুনা উৎখি।

ইমা ইবেতোম্বীগী জগোয়গী লমদা কথোকচরক্লিবা কয়া অসিবু শকখঙবীদুনা তোঙান তোঙানবা লূপ/ওর্গনাইজেসন কয়ানা মনা-মথুম কয়া পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। মদুগী মনুংদা ১৯৬৪দা মতমদুগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ডা. জাকির হুসেননা জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোকপা লোক নট্য উৎসবকা মরী লৈননা ইমা ইবেতোম্বীনা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সতা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অদুবু শীংথারদুনা মেদল পীদুনা ঈকায়খুম্নখি। কুমজা ১৯৯০দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ পীখি। ১৯৯৯দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা নৃত্যভুষন হায়বা মিংথোলগা লোয়নবা এৱার্দ অসিসু ইমাগী মফমদা লান্থোকখি। ২০০৬তা গুরু তরুনকুমার সন্মান হায়বা অমা মতম অদুগী মণিপুরগী গভর্ণর শ্রী সিধুনা ইমাগী মফমদা লান্থোকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৭তা অমুক্কসু হন্না মতমদুগী মণিপুরগী গভর্ণর নজমা হেপ্তুলানা গুরু রজনি নীংশিং এৱার্দ পীখি।

ইমা ইবেতোম্বী মশাগী চহী ২৪ শুরকপা মতম কুমজা ১৯৬৪দা লাংজিং অচৌবা ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা গুরু চবুংবম নবচন্দ্রগা লোয়ননা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নরকখি। গুরু নবচন্দ্র খঞ্জুরিগী মমিং লৈরবা ওজা অমনি। লোয়ননা মালেমগী মফম কয়াদা মণিপুরী কলচরবু মশক তাক্লুরবা লমদম অসিগী তাঙলবা ওজা অমনি। অনীমক অসি অমনা অমদা মখোয় মখোয়গী কলাগী লম্বীদা খোঙবু ওইমিন্নদুনা মতেং পাংনরকখি। হোৎনবা কনবা, মথৌ লৈবা, নীংখিবা থবক্তা হোংবা লৈতনা মায় পাক্লবা হোৎনবা অতাঙবা মীশক অমনি। ঐখোয়গী জগোয়দা ময়াম্না য়েংলিবা মীৎয়েংগা ইমানা য়েংখিবা মীৎয়েংগা চাউনা খেন্নবা লৈখি। মদুগী মনুংদা ঐখোয়গী জগোয়গী খুৎথেক অসিদা হকচাংনা করি মরোল লোল্লিবগে, করম্বা পূক্লিংগী অহকপা ৱারোল অমা ফোঙদোক্লিবগে হায়বসি কুপ্না নৈনখিবা মীশক অমনি। মহাক মশানা পামজদুনা তৌরগে হায়না খনখিবদা থোইদোক্লা চিংনবা হায়বা অসি লৈতে। মদুগী মহুৎতা মহাক্কী থবক অদু করম্না মায় পাক্কদগে হায়বা অসিনা হেন্না মরুওইনা খনখিবা মীশক অমনি। মসিগা লোয়ননা মণিপুরী জগোয়বু মপানগী মীশিংনা করম্না হেন্না পামহনগদগে, মদুগী পর্ফোর্মেন্স করম্না পীগদগে হায়বসি য়াম্না কুপ্না খল্লি। মণিপুরী জগোয়গী রিচ্যুএলগী ওইবা কায়বা য়াদবা শওং কয়া লৈরবসু মদু লেঙদনা থম্লগা মীয়াম্না হেন্না পামহনবা অসিসু মরুওই হায়বা অসিদা চেৎনা থাজজবা মীশক অমা ওইখি। মশাগী চহী ১৪ শুরকপা মতমদা থেঙৌরোল শাগনি হায়না কন্না থৌরাং তৌরকখি। থেঙৌরোল হায়বা অসি নুপীনা শান্নদে অদুগী মথক্তা য়াম্না লুবা, পূক্লিং, ৱাখল অমদি মচাক য়াম্না চঙবা অমনি। হায়রিবা থৌরাং অসি কন্না লাঙলকপা মতমদা, ঐজ্ঞা রাজবাপুগী মনাক্তা চৎচদুনা ৱাফম অদু খঙহল্লবা মতুংদা মতম অদুদা ফোঙবা ঙসি হায়বা পাউচেদা থা অমা চুপ্পা নুপীনা থেঙৌরোল শাবা অসিদা য়েৎনিংবা লৈরবদি হায়বীরকউ হায়না হাপ্পদা কনানসু থোরক্তুনা য়েৎলকখিদে। অদুগী মতুংদা মহাক্লা থেঙৌরোল অদু মায় পাক্লা শাখিবগী ৱারীসু লৈরি। লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াদা মৈতৈ পুঙ পায়দুনা চোলোম তৌখিবগী ৱারী ফাওবা লৈরিবনি। কনাগুম্বা মণিপুরী কলচরগী লমদা মমিং লৈরবা ওজা গুরু কয়ানদি নুপীনা পুঙ য়ৈবা অসিমক্তি পামদবগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা লৈরবসু মফম মতমগী মতুংইন্না ইমানা পুঙ পায়দুনা থৌগল তৌরকখিবগী ৱারী ফাওবা ঙসিসু লেঙদনা লৈরি।

অসুক মতিক ময়াই চেল্লবী ইমা অসিনা মপুনা পীরকপা মতম লোইরদুনা হনখিবা অসি হনফম থোকপা ওইরবসু মণিপুরী জগোয়বু নুংশিজবা অমদি মণিপুরী কলচরবু চেকশিন্না লৌজবা কয়াগী মফমদদি য়াম্না নিংঙমদবা অমা ওইহৌরে। ইমাগী থৱায় মিরেলনা মপুগী নাক্তা মতম চুপ্পদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাদুনা লৈবা ওইরসনু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।১১।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
হিয়াঙ্গৈগী ১৩ নি পানবা।

**মেষ:** মরুপ খনবা হৈত্রদি চাদিং হেনগনি, য়েক্লবনা চোপহনবা য়াবা লৈ-ৱাঙাং হৈয়ু অমদি ঙল্লোইদবদা ৱাশকলুনু। হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা ফুদোকপনা কান্নবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** নচা-ননাই, লেঙদবা লন, লৌশিং চাওখৎকনি। য়েৎনগদবা থবক্তা খুৎ থারুনু, অফা-অপুন নংগদবা থবক্তা য়াওরুনু, ঙায়ঙমদবা তৌগনু, খাঙবা কনখো।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** লৌশিং খরা ৱাৎলসু থবক পাঙগনি, অফবা থবক্তা নরল থাদবা য়াগনি, মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইজবা হেনগনি। লম চৎথোকপসু কান্নগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাজে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** লাঙতক্লবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা লৈগনি। অনম তানগনু অমদি মরুপ মপাংগা কায়নদনবা হোৎনৌ। অফবা মরুপ খরসু থেংনগনি, মখোয়নদি তেংবাঙবী।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**সিংহ:** ঙাং-শকপা হৈবনা অফবা মফম ফংগনি, পোরম শীনবা হৈবা অমদি অরং অরাক ফংবগী নুংঙাইজবসু লৈ। য়েৎনরম্বা কোকচরনি, ইমুং-মনুং ৱাতান্নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওই, অচুম্বনা মাঙওইনবনা য়াম্না কান্নজবা ফংজে। মীৱা লৌরদি কিবা অমদি চিংনবা পোক্কনি-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** অনীংবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা, মীচঙ হেনগৎপা নুমিৎনি। মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা লৈ। মহু চাওবনা য়েংথিবা, ফংবা য়াবা পনবৈ কোক শাবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** ঈংনা চিক্লা তপ্না থৌ পাঙউ। য়ারগদি অরুবা থবক পাঙগনু। অশাওবা, অনম তানবা অমদি হোয়া ফবনা ঙসিসু য়েক্লবা ওইগনি। মরুপ লোয়নৌ-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**ধনু:** য়েৎনবনা মাঙজবা, থাজদনা নক্লবনা য়েংশিনবা অমদি লৌশিং লৈনা থৌপাঙবা ৱাবা নুমিৎনি। অদুবু নীংথিনা পোরম য়াৎলবা থবক্তগীদি অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** নচা-ননাইগী লমদা অমদি অনীংবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। লাইবকসু ফৈ, অনৌবা থৌরম পাঙবা হৌহৌবা য়াগনি। মীৱা লৌরদি কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** মরুপ মপাংশিংনা চাল্লি, লাই-গুরুনসু খরদি চাল্লি অদুবু নোল্লুক্লা চৎত্রদি নুংঙাইতবসু নংবা য়াই। য়েক্লবনা নরলদা য়েংশিল্লি-চরাঙগনু অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** হরাওবা, নীংবা থুংজবা, শেন্দোং ফংবা অমদি মরুপ মপাংশিংনসু থাগৎপিবা অফবনা হেনবা নুমিৎনি। নথক থোংবনদি চানবীবা ৱাৎলি, অশাওবনা মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## থবক্তগী পোত্থাখ্রবা দি এস দব্লিয়ু ওগী কায়নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মতম শাংনা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙদা থবক তৌরমদুনা ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর ওইদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরমখিবা অরাম্বম কামেশ্বরনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবদা মহাকপু কায়নবগী থৌরম অমা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কায়নবগী থৌরম অদুদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী ভাইস চ্যেরপর্সন কে ঐচ ঝলজিৎ, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বী কে ঐচ লৈমা, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বী এম ইনাকখুনবী, থবক্তগী পোত্থাখ্রবা দি এস দব্লিয়ু ও ককচিং, অরাম্বম কামেশ্বরনা ময়াই তাংবলদা লেংশিনখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ককচিং অমসুং ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী কাউন্সীল্লর ওইরম্বশিং অমদি দি এস দব্লিয়ু ও ককচিংগী ইমপ্লোয়ীশিংনা খুদোলপোৎ পীদুনা অরাম্বম কামেশ্বরবু ঈকায়খুম্নবা অমদি তুংদা অনা-অয়েক য়াওদনা নুংঙাই য়াইফনা লৈরুনবা য়াইফ থৌজাল পীনখি। এ কামেশ্বরনা দি এস দব্লিয়ু ও ককচিং ওইনা থবক তৌরিঙৈদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীখিবগীদমক অরাম্বম কামেশ্বরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।

## জিরিবামগী মীয়াম অমদি জে দি ওনা য়াবা ঙল্লোই : এন সদানন্দ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকা য়ুমথংনরিবা তমেংলোং অমদি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকা তায়নবা লমশিংগী চয়েৎনবা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী লৈশাবীথোলগী মনুংদা লৈবা কুকি ভিলেজ অমা জিংমিন্থাং সিংসন কৌবা চীফ চ্যেরমেননি হায়না হায়জবা মীওই অসিনা তৌসেম সব-দিভিজনগী খুল অমগী মমিং লৌরগা তমেংলোং এদমিনিষ্ট্রেসনগী মনুংদা লৈনবা হোৎনবগী অকুপ্পা পাউ অমা লৈরে। মসি জিরিবামগী মীয়াম অমদি জে দি ওনা য়াবা ঙল্লোই হায়না জে দি ওগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা জে দি ওগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈশাবীথোলদা লৈরিবা কুকি ভিলেজ অসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবনি হায়বগী শম্লপ্পা ৱাফমদি কুমজা ১৯৯৭ অমদি ১৯৯৮গী মতমদা ফাইতোল্লোমদগী লাকপা খুঞ্জাশিংনা পাম মচা মচা তৌদুনা লৌশঙ ওইনা অমা অনীখক লৈরম্বদগী কুমজা ২০১১ অদুৱাইদা হান্নগী এক্স-মিনিষ্টর টি ঐচ দেবেন্দ্রনা রেভিন্যু মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা লম অসি মণিপুর পুলিসকী ফায়রিং রেঞ্জ ওইনা এপ্রুভ তৌখ্রবা লম অমনি। মরম অসিনা জিরিবামগী অপূনবা শক্তম কায়নবা শীনবীরক্নু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।



Title : Save Sangai & Keibul Lamjao
By : Hanifah
Class : III/D Roll No. : 5
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Lady Shoe
By : Hellensana
Class : II Roll No. : 26
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : A Little House
By : Henthoisana Nongmaithem
Class : Basic B Roll No. : 11
School : Khuman Maheikol, Mayang Imphal



Title : Diwali
By : Lilina Chaman
Class : III Sec : D Roll : 49
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Save Nature
By : Mongjam Henthoi
Class : II Roll No. : 2
School : Little Rose School Sagolmang



Title : Forest
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll No. : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphelpat



Title : A Mango
By : Nongmeikapam Bidyananda Meitei
Class : I Roll No. : 12
School :



Title : Motu & Patlu
By : Rainbow Naorem
Class : Nursery Roll : 52
School : New Baby English School




Title : A wild Flowerpot
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning



Title : Dirty Lake
By : Tamnna
Class : II/D Roll No. : 20
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kabui Keioiba
By : Velentina
Class : III Sec : B Roll No. : 47
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Polar Bear
By : Y. Lanchenbi Devi
Class : V Sec : X Roll No. : 4
School : Galaxy High School



Title : Sunset
By : Y. Sundraj
Class : III Roll No. : 4
School : S.V. Getwell School, Pangei



Title : Pine Apple
By : Y. Linthoi
Class : I Roll : 15
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : Save Nature
By : S. Nongshaba
Class: IV Roll No. : 6
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : Goku
By : Ingudam Lanthoiba Meetei
Class : II Roll No. : 7
School : Nirmala House, Imphal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।